## মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

# দি ও এ কে, এন আই ভি এস ও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ :
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ঙরাংদগী হৌদুনা ক্ষেত্রিগাওগী অবা (এ বি এ) গ্রাউন্দদা চথ্থরকখিবা মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দি ও এ কে অন্দ্রো অমসুং এন আই ভি এস ও কৈবি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা দি ও এ কে অন্দ্রো অমসুং এস এস সী পোরোম্পাৎ শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপা মতমদা নাকল অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৩৮ শুবা মিনিটতা দি ও এ কে অন্দ্রোগী জর্সি নম্বর ২১ সৈবোই বাইফৈনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

দি ও এ কেগী মায়কৈদগী চল্লকখিবা গোল অদু হন্দোক্লনবা এস এস সী পোরোম্পাৎকী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু এস এস সীনা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৫৬ শুবা মিনিটতা দি ও এ কেগী জর্সি নম্বর ১০ লিয়েন নৈথেমনা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু দি ও এ কেনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা দি ও এ কেগী জর্সি নম্বর ৯ ৱাই গোজেন্না গোল অমা অমুক চন্দুনা মহাক্কী টিম্নাগোল ৩-০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা এস এস সীগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি অদুবু মেচ লোইবা ফাওবদা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু দি ও এ কেনা গোল ৩-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৫০ তবদগী ৱাই ও এস সী খুরাই কোন্সম লৈকায় অমসুং এন আই বি এস ও কৈবি শান্নবা হৌখি।

মেচকী অহানবা হাফ হৌরকপা মতমদা নাকল অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। টিম অনীমক্না অহানবা হাফকী ২৫ শুবা মিনিট ফাওবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা এন আই ভি এস ওগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি সিরাজনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

এন আই ভি এস ওনা চল্লকখিবা গোল অদু হন্দোক্লনবা ৱাই ও এস সীগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

মেচকী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মতমদসু ৱাই ও এস সীগী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা এন আই ভি এস ওগী এন জি বিরজিৎনা মেচ লোইগদবা মিনিট তরেৎখক্তমক ঙাইরবা মতমদা গোল অমগা অমুক ৱাই ও এস সীগী মায়কৈদা চনশিন্দুনা গোল ২-০ দা লৈখি। মেচ লোইবা ফাওবদা ৱাই ও এস সীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এন আই ঈ ভি এস ওনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথ্থরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা য়ু পি এ এ অমসুং এলেভেন ষ্টার শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদনা য়ু পি এস এ অমসুং পি ৱাই এ অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

## অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# সী ৱাই সী চিনিকোন্না এফ সী মোইরাংবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ :
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরগী মিৎয়েং মখাদা ঙাংদগী হৌদুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথ্থরকখিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সী ৱাই সী চিনিকোন্না এফ সী মোইরাংবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

সী ৱাই সী চিনিকোন অমসুং এফ সী মোইরাংনা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌখি। মেচ অদুদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা সী ৱাই সী চিনিকোনগী জর্সি নম্বর ১৩ রাহুলনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

সী ৱাই সী চিনিকোনগী মায়কৈদগী চল্লকখিবা গোল অদু হন্দোক্লনবা এফ সী মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু গোল অদু হন্দোক্লনবা এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। মরক অদুদা মেচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা সী ৱাই সীগী রাহুলনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মদুদগী এফ সী মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা অকনবা মওংদা এটেক চথ্থরকখি। মেচকী ৭৭ শুবা মিনিটতা এফ সী মোইরাংগী জর্সি নম্বর ৮ জেমসনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-২ দা লৈখি।

মেচকী ৭১ শুবা মিনিটতা সী ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ গাইলুংনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-১ দা মাঙজিল থাখি। এফ সী মোইরাংগী শান্নরোয়শিংনসু চোকথবা নাইদনা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী চথ্থরকখিবা এটেকশিং অদু সী ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা নিংথিনা দিফেন্দ তৌখি। এফ সী মোইরাংনা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনবা লেপখিদে। মেচকী ৯০ প্লস টু চৎপা মিনিটতা এফ সী মোইরাংগী বোংলিয়েন্না গোল অমা হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ২-৩ দা লৈখি। মখা তানা এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী গোল হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু সী ৱাই সী চিনিকোন্না গোল ৩-২ দা মায় পাকখি।

মেচ অদুদা সী ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ গাইলুং অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ লোংমৈদা মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথ্থরকপা ওইনা জুলাই ২০ গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা এস এ আই- এস এ জি উৎলৌ অমসুং এল এ এস ঐচ এ এল লৈমপোকপম শান্নগনি হায়রি।

## এন পট্টমা মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্ট

# এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবী অমসুং ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ ফাইনেল শান্নরগনি



জিরিবাম, জুলাই ১৭ :
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই কাংশঙদা টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চথ্থরিবা ২০ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মেন'স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১৯ দা এস এ ৱাই সী টিম বি সোরোক অতিংবী অমসুং ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদু ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ অমসুং ঈচেল ক্লব দিবোংগী মরক্তা শান্নখি। মেচ অদুদা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ১৭-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ অদু ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা ঈচেল ক্লব দিবোংনা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখূৎ অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজাদা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ কাংখূৎনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ১৭-১৩ দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা ৱাই এল সী দিবোং খুনৌ ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা ও মঙ্গি মীতৈনা জজ ওইখি অদুনা কে ঐচ বসন্তনা স্কোরর ওইখি।

## মেনেজরশিংগী মীফম জুলাই ২৫ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ :
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ কা মরী লৈননা মেনেজরশিংগী মীফম জুলাই ২৭ তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু জুলাই ২৫ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল এল জোতিরমোই রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মেনেজরশিংগী মীফম অদু জুলাই ২৫ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মপান কাংজেবুংদা লৈবা অম্ফাগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ তা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী মেনেজরশিংনা শরুক য়াবিয়ু। লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন ফোর্মশিংসু অম্ফাগী ওফিসতগী লৌবিয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জুলাই ২৭ তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ কী ওইবা মেনেজরশিংগী মীফম অদু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না ঙসি থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা জুলাই ২৫ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি হায়রি।

# মেদলিষ্ট জোতিন অমসুং রোহিটনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরকপদা ৱাই দি ও ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ : সাউথ কোরিয়াদা থা অসিগী ২ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা জিওনজু ওপন ইন্টরনেসনল টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ অমদি চুনচিওন কোরিয়া ওপন ইন্টরনেসনল টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা পাঙথোকপা ইভেন্টশিংদা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরদগী টাই ক্বান্দো শান্নরোয় তাওরেম জোতিন অমসুং ইরোম রোহিটনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরকপদা য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (ৱাই দি ও ক্লব) অমসুং মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম রোমেন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মেদলিষ্ট তাওরেম জোতিন অমসুং ইরোম রোহিটনা ইম্ফাল এয়রপোর্ট য়ৌরক্লবা মতুংদা মখোয় অনীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাৎশোই পার্ট টু কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

তাওরেম জোতিন জিওনজু ওপন ইন্টরনেসনল টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপকী জিওরাগি অমসুং পুমসে ইভেন্টতা শিলভর মেদল অনী লৌখি। অদুগা চুনচিওন কোরিয়া ওপন ইন্টরনেসনল টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপকী ফাইটতনা শিলভর মেদল অমা লৌরকখি।

লৈকায় অসিমক্তদগী ইরোম রোহিটনা জিওনজি ওপন ইন্টরনেসনল টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপকী তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অনীদা ব্রোঞ্জ মেদল অনী অমসুং চুনচিওন কোরিয়া ওপন ইন্টরনেসনল টাই ক্বান্দো চেম্পিয়নশিপকী ইভেন্টতনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা পূন্না মেদল অহুম লৌরকখি।

ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অনীদা মেদল লৌরকখ্রবা জোতিন অমসুং রোহিটপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা পাৎশোই জি পিগী ৱার্দ মেম্বর এন জি মেমী লৈমা অমদি লৈকায়গী অহল লমন কয়ানা শরুক য়াখি।

শিলভর মেদল অহুম লৌরকখ্রবা তাওরেম জোতিন কে ভি লাংজিংদা ক্লাস টুয়েল্ভ আর্টস তম্লিবা মহৈরোয়নি। অদুগা ইরোম রোহিটনা জেনিট একাদেমিদা ক্লাস নাইন তম্লিবা মহৈরোয়নি।

মেদলিষ্ট অনীমক সী টি আই সগোলবন্দগী কোচ তখেল্লম্বম রাজুগী মখাদা শান্নরিবা শান্নরোয় ঙাক্তনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নেসনল চেলেঞ্জরস চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ :
গুজরাটকী অহমেদবাদতা ওগষ্ট ১২ দগী ২৩ ফাওবা চথ্থগদৌরিবা ৫৫ শুবা নেসনল চেলেঞ্জরস চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অমা লাক্লিবা জুলাই ২৩ দগী য়াইস্কুলগী ৱাই ভি ওদা পাঙথোক্লগনি।

ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসন্দা এফিলিএট তৌবা চেছ মণিপুরগী এদহোক কম্মিটিগী চ্যেরমেন অতেম্বী লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অহমেদবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল চেলেঞ্জরস চেছ চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং খন্ননবা য়াইস্কুলগী ৱাই ভি ওদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অসিদগী মণিপুরগী ওইনা শান্নরোয় মরি খনগৎকনি। খনগৎলবা শান্নরোয়শিংদা কেশ প্রাইজ এৱার্দ পীবদা নত্তনা ট্রোফিসু পীগনি।

সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অসিগী অকূপ্পা মরোল খঙনীংবশিংনা চেছ মণিপুর উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদহোক কম্মিটিগী চ্যেরমেন অতেম্বী লাইশ্রম, মেম্বর ঐচ ভুপেন্দ্রনাথ, আর কে ভোগেন, ঐচ জোগেন্দ্র মীতৈ অমসুং এস মঙ্গিজাওদা কন্টেক্ট তৌবিরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী ট্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ :
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি বি এ) গী জুনিয়র অমসুং সেনিয়র টিমগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ঐচ সঞ্জিব শর্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ট্রাইএল সেলেক্সন অসিদা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুনা চহী অসিগী জুলাই ২২ দগী হৌদুনা চথ্থরক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসন রিপ্রজেন্ট তৌগনি। ট্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানীংবা বেদমিন্টন প্লেয়রশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএসনগী সেক্রেটরিদা জুলাই ২০ গী অয়ূক পুং ৯ গী মমাঙদা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু আই দব্লিয়ু দি বি এগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## মেচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরগী মিৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথ্থরকখিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী হয়েং এস এ আই-এস এ জি উৎলৌ অমসুং এল এ এস ঐচ এ এল শান্নগনি তৌরম্বা অদু লাক্লিবা জুলাই ২০ দা ওইনা শান্নরগনি হায়না দি এস এ বিষ্ণুপুরগী ওফিস মেমোরেন্দম অমদা খঙহল্লক্লি।

## ওল ইন্দিয়া যোগস্না চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম লমথাখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ : আসামগী সারুপাথরদা লাক্লিবা জুলাই ১৮ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২ শুবা ওল ইন্দিয়া যোগস্না চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি পাৎশোই এ সীগী এম এল এ এ কে মিরাবাইনা লমথাখ্রে।

যোগ ফিজিক ইনষ্টিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. জি সৈত্যভামানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল ইন্দিয়া যোগস্না চেম্পিয়নশিপ্তা মীওই ৯৮ না শাবা মণিপুরগী টিম অমা শরুক য়াগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর টিম অদু ঙসি উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দা লৈবা যোগ ফিজিক ইনষ্টিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ মণিপুরগী ট্রেনিং সেন্তর কম হোষ্টেলদগী এম এল এ এ কে মিরাবাইনা লমথাখিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## তরানিপানশুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এন সী সীনা ৱাই দব্লিয়ু সী গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথ্থরকখিবা ১৮ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এন সী সী খোঙহাম্পাৎনা দব্লিয়ু ৱাই সী মালোমবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অনীশুবা মেচতনা এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই অমসুং এম পি এস সী ফার্ষ্ট এম আর গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মাপনশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা মেচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সী মালোম অমসুং এন সী ক্লব (এন সী সী) খোঙহাম্পাৎনা নুংথিল পুং ২ তাবদগী শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদগী হৌনা নাকল অনীনা অকনবা লম্বা তৌনখি। মেচকী ৩০ শুবা মিনিট ফাওবা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অসিগী ৪০ শুবা মিনিটতা এন সী সীগী জর্সি নম্বর ৫ এল খেলেম্বনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৬৮ শুবা মিনিটতা এন সী সীগী জর্সি নম্বর ১১ এন জি নাওচানা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু এন সী সীনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনরবসু গোল ওইনদি ওন্থোকপা ঙম্লখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মেচ অদু এন সী সীনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী তরা শুবা মেচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেচ অদু এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই অমসুং এম পি এস সী ফার্ষ্ট এম আরনা শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা এস কে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি বিশ্বরজিৎনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

গোল অদুবু হন্দোক্লবা এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিংনা অঙকপা ফংনা তকখায়রকখি। মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা এম পি এস সীগী জর্সি নম্বর ৮ খিম বিকেনা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদবনা মেচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথ্থরকপা ওইনা লাক্লিবা জুলাই ২০ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ৱাই এ সী অমসুং জি সী সী আর পি এফ শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদনা দব্লিয়ু এস সী অমসুং এস সী কে শান্নগনি।



HL-B/3953/8/7-17/8

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com